**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-09-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) এন.আর.সি অপদেট তৌদ্রিঙৈদা সেন্সস তৌদনবা ঙসি রাজ্য বিধান সভানা ৱারেপ লৌখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- এন.আর.সিগী মতাংদা মখা তানা খন্ননবা শেম শাদুনা লৈরি।

৩) গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- ভারত অমদি ম্যান্মার লৈবাক অনিগী মরক্তা লম পীথোক পীশিন তৌবগী ৱাফম হৌজিক ফাওবদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না রাজ্য সরকারদা পাউ পীরকপা লৈতে ।

৪) মণিপুর বিধান সভাদা ঙসি এন.আর.সিগী মতাংদা খন্নখিবা ৱাফম অদু মপুং ফাবা ওইদেহায়না কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিতেসন (জে.এফ.দি)গী মাইকৈদা থল্লক্লি।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী খনগৎলবা ওজাশিংদা থা অসিগী ৫ দা নেসনেল টিচরস এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুমরগনি।

------

মীফম (এল)ঃ এন.আর.সি অপদেট তৌদ্রিঙৈদা সেন্সস তৌদনবা ঙসি রাজ্য বিধান সভানা ৱারেপ লৌখ্রে।

১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৮ শুবা মীফমগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ৱারেপ অসি সভানা অমত্তা ওইনা লৌখিবনি।

বিরোধি এম.এল.এ- ওক্রম ইবোবীনা থাংগৎলকপা এদজোর্নমেন্ট মোসনগা মরী লৈননা সভাদা পুং অনি হেন্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। ঙসি লৌরিবা ৱারেপ অসি ইং ২০২২ দা রাজ্য বিধান সভাদা মণিপুরদা এন.আর.সি তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অদুদা এন.আর.সি তৌদ্রিঙৈদা সেন্সস তৌদবা হায়বা ৱাফম অসি হাপচিনদুনা কেন্দ্র সরকারদা তকশিন্নবা ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

বিরোধি এম.এল.এ- ওক্রম ইবোবীনা থাংগৎলকপা এদজোর্নমেন্ট মোসন অদু মখা চথবীনবা শ্রী ইবোবী য়াওনা বিরোধি এম.এল.এশিংনা অধ্যক্ষগী পুকিং চিংশিনখি। শ্রী ইবোবীনা হায়- মীকোক থীবগী থবক য়েথোকবা কেন্দ্র সরকারনা লৌরকপা ৱারেপ থাগৎনিঙাইনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনা ওফিসিয়েল ওইবা ওর্দর থোক্কবা অমদি এন.আর.সিগী মতাংদা চপ চাবা খঙদ্রিবা অসিগী মতাংদা খন্ননবা এদজোর্নমেন্ট মোসন অদু পুখৎপনি হায়খি।

সভাগী লুচিংবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা কেন্দ্র সরকারগী ওফিসিয়েল ওইবা ওর্দর নুমিৎ খরনিগী মতুংদা শোইদনা থোরক্লগনি। মরম অদুনা মীকোক থীবা য়েথোকপগী মতাংদা খন্ননিঙাই ওইদ্রে। অদুবু এন.আর.সি তৌদ্রিঙৈদা সেন্সস তৌদবা হায়বা ৱারেপ অসি সভাদা লৌশি হায়খি। এন.আর.সিগী মতাংদা খন্ননবা পুখৎলকখিবা এদজোর্নমেন্ট মোসন অদু অয়াবা পীদ্রিঙৈদা সরকার পায়রিবা সদস্যশিং অমদি বিরোধি সদস্যশিংগী মরক্তা মাগী মাগী মোৎ ফোংদোকখি। সভাগী অধ্যক্ষনসু সদস্যশিংনা এন.আর.সিগী মতাংদা খন্ননবা পুখৎলকপা এদজোর্নমেন্ট মোসন অদুগী মতাংদা মশা মশাগী মোৎ ফোংদোকবদা থোইদোকা অথিংবা পীখিদে। বিরোধিগী মাইকৈদগী ইং ১৯৫১ না বেজ ইয়ার ওইদুনা এন.আর.সি অপদেট তৌবা হায়বা হিরম অসিদা খন্নরগা ৱারেপ লৌশি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন তকশিনখি।

মদুগী পাউখুম ওইনা সভাগী লুচিংবা মুখ্য মন্ত্রিনা বেজ ইয়ারগী মতাং অসি মতমগী মতুংইন্না লাকচগনি। এন.আর.সিগা মরী লৈননা বেজ ইয়ারগী মতাং য়াওনা অকুপ্পা ৱাফমশিং খন্ননবা সরকার অসিনা শেম শাদুনা লৈ। মসিদা বিরোধি সদস্যশিংবুসু শরুক য়াবীয়ু হায়খি। হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী ফিভম অসিদা খন্নবা য়াবা অমদি য়াদবা ৱাফমসু লৈবনা এন.আর.সি অপদেট তৌদ্রিঙৈদা সেন্সস তৌদবা হায়বা ৱাফম অসি হাপচিনদুনা ইং ২০২২ গী বিধান সভাগী ৱারেপ অদু অমুক হন্না রিএফার্ম তৌনবা সভাদা পুখৎলগা সভানা অমত্তা ওইনা পাস তৌখি।

গোবিনদাস (এল)ঃ গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- ভারত অমদি ম্যান্মার লৈবাক অনিগী মরক্তা লম পীথোক পীশিন তৌবগী ৱাফম হৌজিক ফাওবদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না রাজ্য সরকারদা পাউ পীরকপা লৈতে ।

কংগ্রেসকী কে. রঞ্জিৎনা ভারত অমসুং ম্যান্মারগী মরক্তা লম পীথোক পীশিন তৌনবগী ৱাফমগা মরী লৈননা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেনসন মোসন অমগী পাউখুমদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- সরকার অসিনা মখল অমত্তা মণিপুরগী লম পীথোকপগী ৱাফম লৈতে। ভারত অমসুং ম্যান্মার লোন্নরিবা ঙমখৈ পরিং অসি কিলোমিতর লিশিং ১,৬৪৩ নি। মসিগী মনুংদা কিলোমিতর লিশিং ১,৪৭২ দি য়েৎনবা লৈতে। কিলোমিতর ১৭১ দি চয়েৎনবা লৈরি। মসিগী মনুংদা অরুনাচল প্রদেশকী লোহিত অমদি মণিপুরগী মোলচামনি। ২০২৯ ফাওবদা সরকারনা ঙমখৈগী শম্বল খাবা অসি লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

হৌখিবা চহি অনি অসিদা জিরিবাম, ত্রোংলাউবী অমসুং আই.টি. রোডকী সহৈবুংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা কংগ্রেসকী কে. মেঘচন্দ্র পুখৎলকপা অতোপ্পা কোল্লিং এটেনসন মোসন অমগী পাউখুমদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- এন.আই.এ, সি.বি.আই, মণিপুর পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সনা হৌজিক ফাওবদা নাগাগী মীচম হাৎখিবা থৌদোক্কা মরী

লৈননা মীওই মরি ফাগৎলে। মখা তানা থৌদোক অসিদা চেন্নবা অহেনবা মীওইশিংসু ফানবা হোৎনরি।

জিরিবামদা নুপী অমসুং অঙাং হাৎখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা জ্লাই তাং ২৫ দা চেন্নবা মীওই অনি ফারে। থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই খরসু ফানবা হোৎনরি।

এসেমব্লি(এল)ঃ ঙসি সভাগী মীফম হেক হৌবগা অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা সিংহনা সভাগী লৈখিদ্রবা হান্নগী সদস্যশিং-লোংজম নিংথেমজাউ সিংহ, ডা: মহোমদ মনিরুদ্দিন সৈখ অমসুং এ.এস. আথর অমদি মনিপুর টেরিটোরিয়েল এসেমবিগী সদস্য ওইরম্বা কে.ইনভিগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ইকায় খুমবা উৎপগী ৱারেপ অমা থাংগৎলকখি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবা সদস্য মরিনা লৌরমখিবা থৌদাংশিং শিংথাখি। এম.এল.এশিং- ওক্রম ইবোবী, এন. বিরেন, কে. মেঘচন্দ্র, টি.ঐচ. লোকেশ্বর, গোবিনদাস গোন্থৌজম, রাম মুইভা, অবদুল নাশির অমদি লৈসিও কৈসিংসু লৈখিদ্রবা সদস্যশিং অদুবু শিংথাবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

থা অসিগী তরেৎ ফাওবা চখ্থগদবা সিট্টিং অহুম লৈগদবা মীফম অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা চহি অহুমগী মতুংদা অহানবা ওইনা কুকি-জো ফুরুপকী এম.এল.এ অনি- সাইতু বিধান সভা কেন্দ্র সদস্য হাওখোলেট কিপগেন অমসুং
সাইকুল বিধান সভা কেন্দ্রগী সদস্য কিমনিও হাওকিপ হংসিং মীফমদা য়াওখি। মীফম অদু য়াওবা লাকপদা শ্রী হাওখোলেট কিপগেননা হায়- মতম কুইরবগী তুংদা বিধান সভা মীফম য়াওবা লাকপা অসি য়ামা নুংঙাইবা ফাওই।

অদুমওইনমক, মীফম অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন অমদি এম.এল.এ লেটজামাং হাওকিপ ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়ারি।

জেএফদি (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভাদা ঙসি এন.আর.সিগী মতাংদা খন্নখিবা ৱাফম অদু মপুং ফাবা ওইদে হায়না কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিতেসন (জে.এফ.দি)গী মাইকৈদা থল্লক্লি।

ইম্ফাল ইষ্টকী শোইবম লৈকাইদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লুপ অসিগী কো-কনভেনর লোংজম রতন কুমারনা হায়- মীয়ামা পাল্লিবা ইং ১৯৫১ বেজ ইয়ার ওইদুনা এন.আর.সি অপদেট তৌবীয়ু হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা ঙসি রাজ্য বিধান সভাদা খন্নখিদে। মসিমকা ঙসি চথখিবা মীফম অদুদা এন.আর.সিগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপ অদু মপুং ফাবা ওইদে। মীয়ামগী অপান্বদি ইং ১৯৫১ দা বেজ ইয়ার ওইদুনা এন.আর.সি অপদেট তৌরবা তুংদা মীকোক থীবগী থবক পায়খৎকদবনি হায়বা ৱাফম অসিনি।

অমরোমদা, হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা মীকোক থীবগী থবক য়েথোক্লগনি হায়বগী ওফিসিয়েল ওইবা ওর্দর থোক্লিবসি করিগীনো হায়না জে.এফ.দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা ফোংদোকখি । মিদিয়াদা ফোংদোকপা খক্তনা ওফিসিয়েল ওইবা ৱাফম ওইরোই। কেন্দ্র সরকারনা মসিগীদমক ওর্দর অমা থোকপা তঙাইফদে হায়খি।

মরক অসিদা, ককচিং জিলাগী ককচিং খুনৌদা মৈরা পায়বীশিংনা মণিপুরদা সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন.আর.সি হান্না অপদেট তৌগদবনি হায়দুনা ঙসি ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

মীতিং (এল)ঃ কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসতা ইন্টর মেদিয়া পব্লিসিতি কো-ওর্দিনেসন কমিতি (আই.এম.পি.সি.সি) মনিপুর চেপ্তরগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রেস ইনর্ফোমেসন ব্যুরো ইম্ফালগী এদিসনেল দাইরেক্তর জেনরেল- ডা: ইঙম পামেনা সভাপতি ওইবা মীফম অদুদা কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা সরকারগী লোইশঙশিংদগী লাকপা ওফিসারশিংনা রিপোর্টশিং পাথোকখি।

ককচিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা, জিলা অসিগী রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়াতি রাজগী প্রোজেক্ট ওফিসারনা শিন্দুনা ৱাটরসেদ প্লান্নিং এন্দ প্রোজেক্ট দিভলপমেন্ট অন্দর ৱাটরসেদ দিভলপমেন্ট কম্পেনেন্ট-প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিঞ্চায়ি য়োজন (দব্লিউ.দি.সি-পি.এম.কে.এস.ৱাই) টু পোইন্ট জিরো: জিওগ্রাফিম ইনফোর্মেসন সিষ্টেম (জি.আই.এস) ওপরেসনেল গাইদ লাইন্স, নেচরেল রিছোর্স মেনেজমেন্ট এন্দ হোর্তিকলচরেল ইন্তরভেন্সন হায়বসিদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংদা হৌখ্রে। থৌরম অসিদা জিলা অসিগী খুল ৬- ৱাংঙু, তাংজেং, এলাংখাংপোকপী, সেরৌ, ৱাইখোং, লাইমনাই অমসুং লাংমৈদোংদগী লাকপা লৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

মেলা (এল)ঃ সেনাপতি জিলাগী দি.আর.দি.এ হোলদা ঙসি নেচরেল ফার্মিং হায়বা হিরমদা দিষ্ট্রিক্ট কিসান মেলা-এগ্রিকলচরেল ফিয়ার পাঙথোকখ্রে। এগ্রিকলচরেল টেকোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সিনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসারগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা লৌমীশিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টোলশিং হাংদোক্তুনা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং মীয়ামদা উৎখি।

চান্দেল (এল)ঃ আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কে চান্দেলনা শিন্দুনা য়ুজ ওফ লোকেল্লি এভাইলেবল মেটরিয়েল ফোর কন্সট্রক্সন ওফ ব্রজৱুদ দামস হায়বসিদা ত্রেনিং অমা ঙসি জিলা অসিগী হৈবুংলোক খুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ডাঃ কাংজম সোনামনি সিংহনা হিরম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল পীখি। মহাকা হায়- শেল ইচং চংদনা খুঞ্জাশিংনা মফম অদুদা ফংবা পোৎলমশিংনা দাম মচা মচা শাদুনা ঈশিং তুংশিন্নবগী ৱাফমশিং পনখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মরু মরাংশিংসু লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি হায়রি।

মীলাল (এল)ঃ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লুপ (মীলাল) কংলৈপাক অমদি মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গোইজ, প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনননা পুন্না শিনদুনা বঙ্গলাদেসকী তৈতেগাউ অদামপুর বজারদা লৈবা মনিপুরি কলচরেল কমপ্লেক্সতা মীতৈ ময়েক তন্বীবগী থৌরম অমা ঙরাংদগী হৌখ্রে। বঙ্কলাদেসকী তোঙান তোঙানবা লুপ তরাগা পুন্দুনা পাঙথোক্লিবা মীতৈ ময়েক তন্বীবগী থৌরম অসি নুমিৎ তরানি চংখগনি।

থৌরমদুদা উপ জিলা প্রাইমারি এদুকেসন ওফিসার-ইনামুর রাহিম বাবুর, মীলালগী লুচিং পুরেল-লাঙ্গোলজম নোংমাইলেন্বী, থৌবুরেল পাউনম থাকাবা, এদুকেসন সেক্রেটরি-মাইবম ইন্দজিৎ, পেত্রিওট্রিক রাইটরস ফোরম মনিপুরগী সেক্রেটরি-রাকেশ নাওরেম অমসুং মনিপুরি কলচরেল কমপ্লেক্স অদামপুর বজারগী প্রসিদেন্ট-লাঙ্গোলজম জয়েন্তা সিংহ শরুক য়াখি।

আর্ট (এল)ঃ আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী মখাদা পীবা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংকী তেংবাং স্কিম ২০২৬-২৭ কী ফোর্ম হয়েংদগী থারগনি। থা অসিগী ২৯ ফাওবা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি।

প্রসিদেন্ট ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী ওইনা স্কুলগী ওজা ৪৮ অমসুং হায়র ইজকেসনগী ওজা ২১ অমদি এম.ও.এস.দি.ইগী ওজা ১৩ দা থা অসিগী ৫ দা নেসনেল টিচরস এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুমরগনি। তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মহৈ মশিং তাকপী তন্বীরিবা খনগৎলবা ওজাশিং অসিনা মখোয়না মহৈরোইশিংগীদমক থোইদোক হেন্দোকপা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপগীদমক মনাশিং অসি পীরগনি। ওজা হায়বসি মহৈরোইশিংবু মহৈ মশিং তন্বীবা খক নত্তনা মখোয়গী পুকিং ৱাখলবুসু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংদুনা অফবা মীশক অমা ওইহন্নবা থৌদাং য়ারিবা মীওই অমনি। ২০৪৭ ফাওবদা লৈবাক অসিবু ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী চংশিল্লিবা লম অসিদা ওজাশিংগী থৌদাং চাউনা য়াওরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং ঃ অহানবা এস. নোদিয়াচান্দ সিংহ্ মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন লিগ কম নোকআউট কাং তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র শগোলবন্দ কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৫-১৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা জ্‌নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাঃ ভি.সি. রোই ত্রোফি ২০২৬-২৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা কেরলমবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মণিপুরগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হুইদ্রোম শলাইঙম্বনা চনখিবনি।

ফুটবোল ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অন্দর থার্তিন গার্লস অস্মিতা সিতি ফুটবোল লিগ ২০২৬-২৭ হয়েংদগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌরগনি। হয়েং অয়ুক্কী মতমাংদা ৱাই.দব্লিউ.সি অমদি আই.সি.এস.এ লম্বা তৌনগনি। অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.য়ু.এফ.এ অমসুং ই.এস.য়ু লম্বা তৌনগনি। হয়েং নুংথিলদনা ক্রিপসা অমদি এস.এস.সি লম্বা তৌনগনি। ৱাই.দব্লিউ.সি অমদি এফ.সি.আই লম্বা তৌনগনি।

------